## সিক্যুরিটি কোওপরেসন চেৎশিনহল্লগনি

বৈজিং, জুলাই ৩০ :

বেল্ট এন্দ রোদকী শেমগৎ-শাগৎপগী থবক অমদি চাইনা-পাকিস্টান ইকনমিক কোরিদোরদা সিক্যুরিটি গরেন্টি লৈহন্নবগীদমক্তা চাইনানা পাকিস্টানগা এন্টি-টেররিজম, লো এনফোর্সমেন্ট অমসুং সিক্যুরিটি কোওপরেসন চেৎশিনহন্নবা শেম শারে হায়না অৱাংবা থাক্কী চাইনিজ ওফিসল অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদেকখ্রে।

পাকিস্টানগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ কম্মিটিগী চেয়রমেন জুবাইর মহমুদ হয়াটনা পাকিস্টানি মিলিটরিনা পাকিস্টান্দা লৈরিবা চাইনিজ পর্সনেল, ওর্গনাইজেসনশিং অমদি প্রোজেক্টশিংগীদমক্তা থোইদোক হেন্দোকপা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না চাইনিজ ওফিসলশিংদা থাজবা পীখি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনা (সী পি সী) সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইবগা লোয়ননা সী পি সী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী পোলিটিকেল এন্দ লিগেল এফেয়রস কম্মিসনগী মকোকসু ওইরিবা গুও সেংকুন্না বৈজিংদা জুবাইরগা উনদুনা লৈবাক অনীগী সিক্যুরিটিগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবনি।

## ব্রাজিলগী জেলদা য়েংথিনবা গেং মশেল খুৎ থোক্লবদা মকোক কেনবা ১৬ য়াওনা ফাদোক ৫৭ শিরে



সাও পাউলো/রিও দি জনৈরো, জুলাই ৩০ :

ব্রাজিলগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা জেল অমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়েংথিনবা গেং ফেক্সন অনী খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবা ফাদোক ৫৭ শিরে হায়না পারা ষ্টেটকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুগী মী মশিং কা হেন্না থম্বগী কিন্নিংঙাই ওইরবা প্রিজন সিষ্টেমদা চৈথেং পীরিবা থা অনীগী মনুংদা থোক্লক্লিবা জেল মনুংদা হাৎন-শুনবগী অনীশুবা ইরাং অদুদা ফাদোক ১৬ গী মকোক কেনখি হায়নসু ওফিসর্শিংদুনা ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা অল্টামিরা রিজনেল রিকোভরি সেন্টর হায়না খঙনবা জেল অদুদা য়েংথিনবা গেং মশেল খুৎ থোক্লবা হৌরকখি হায়না পারা ষ্টেটকী পেনিটেন্সরি দিপার্টমেন্টগী ওফিসল অমনা ন্যুজ এজেন্সিশিংদা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ ফাওবা খুৎ থোক্লখিবা অদুদা জেলগী গার্দ অনীসু ফাজিন্দুনা থমখি হায়রি। ষ্টেট ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা জেল অদুগী কম্মান্দো ক্লাস এ গেং হায়না খঙনবা খুৎপু অমগী ফাদোকশিংনা মখোয়গা য়েংথিনবা কম্মান্দো ভর্মেলহো নৎত্রগা রেদ কম্মান্দ হায়না খঙনবা গেং অমগী ফাদোকশিংনা লৈরিবা সেল অমা মৈ থাখি। শিখিবা অয়াম্বা মৈ চাকপদা থোকখিবনি হায়না পল্লদুনা গেংষ্টরশিংনা ফাজিনখিবা গার্দ অনী অদু মমৈথংদা নমদুনা থাদোকহনখি হায়নসু ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

প্রিজন দিরেক্টর জর্বাস ভাস্কোন্সেলোসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা থৌদোক অদু অতম্না টার্গেট তৌদুনা চথখিবা শাথিরবা ক্রাইম অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা অদুগুম্বা শাথিরবা এটেক অমা থোক্লকপা য়াই হায়বগী ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্টনচিংবা মাঙজৌননা ফংবা লৈখিদে হায়খি। থৌদোক অদু মরু ওইনা য়েংথিনরিবা গেং অনীগী মরক্তা অমগা-অমগা লমন খুন্নবগী ফিভমদা থোকখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। হৌখিবা মেদা য়ুমথংনরিবা অমাজে না ষ্টেটকী জেল খরদা য়েংথিনবা গেং মশেল হাৎন-শুনখিবগী থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা ফাদোক ৫৫ শিখ্রবনি।

## পাকিস্টানগী প্লেন অমা য়ুম্লক্তা তাশিন্দুনা কায়বদা ক্রু য়াওনা মীওই ১৭ শিরে



রৱালপিন্দি, জুলাই ৩০ (এজেন্সি):

পাকিষ্টানগী গেরিসন সিটি রৱালপিন্দিদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা ট্রেনিংদা শীজিন্নবা মিলিটরি প্লেন অমা য়ুম্লক্তা তাশিন্দুনা কায়খিবগা লোয়ননা ক্রু মেম্বর ৫ অমদি মীচম ১২ শিরে হায়না লৈবাক অদুগী মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মফম অদুগী মীওইশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ২ রোম তাবদা অহৌবা পোকখায়বগী মখোল অমা তাখি। মদু সিটি অদুগী নোংথক্তা মিলিটরি প্লেন অমা কা হেন্না নেম্না পাইরকপা মীয়াম্না উখিবা মতুংদনি। মিলিটরি অমসুং সিভিলিয়ন রেস্ক্যু ৱর্করশিংনা য়ামদ্রবদা অশোকপা মীওই ১২ সিটি অদুগী হোস্পিটালশিংদা পুখৎখি অমসুং য়ুম কয়া মৈ চাক্লিবদু মুথৎখি হায়না উহৌবশিং অমসুং ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

কেপিটেল ইস্লামাবাদকা নক্না লৈবা রৱালপিন্দি সিটি অসিদা পাকিষ্টানি আর্মিগী হেদ ক্বাটরসসু লৈরিবনি। য়ুম্লক্তা কায়রিবা প্লেন অদু পাকিষ্টানি আর্মিগী এভিয়েসন য়ুনিটনা ওপরেট তৌবনি হায়রি।

## এটেক্করনা সোসল মিদিয়াদা কার্লিফোর্নিয়া গার্লিক ফেষ্টিভেল য়ানিংদবা ফোঙদোক্লমখি : পুলিস



গিলরোই, জুলাই ৩০ (এজেন্সি):

কালিফোর্নিয়াগী গিলরোইদা পাঙথোক্লিবা গার্লিক ফেষ্টিবেলদা নোংমৈ কাপ্পুনা নুপামচা অমা য়াওনা মীওই অহুম হাৎখিবা অমদি মীওই ১০ হেন্না অশোক-অপন নংহনখিবা গনমেন অদু মশাগী চহী ১৯ শুরবা কালিফোর্নিয়াদা লৈবা মীওই অমনি হায়বসি খঙবা ঙম্লে হায়না পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

সান্তিনো ৱিলিয়ম লেগান কৌবা গনমেন অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা খঙদনবগী মওংদা ফেন্সিংদা ফাওজিল্লগা ফেষ্টিভেল মফমদুদা চঙশিন্দুনা মহাক্না পায়রকখিবা এ কে-৪৭ ষ্টাইলগী এসোল্ট রাইফল অমনা তিল্লিবা মীয়ামদা মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ মরু কয়ামরুম কাপশিনখি হায়না গিলরোই পুলিসগী চীফ স্কোট স্মিথিনা রিপোর্টরশিংদা ফোঙদোকখি।

মীওই অসিনা মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিনখিবা মতুং মিনিট অমরোমগী মনুংদা পুলিসনা মহাকপুসু কাপ্পুনা হাৎখি। সিলিকোন ভেলিগী খা নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৪৮ রোম লাপ্না লৈবা মফম অমদা পাঙথোক্লিবা মীওই লিশিং কয়া লাক্ল রিবা ফেষ্টিভেল অদুদা য়াম্না থুনা মীশি-মীনা কা হেন্না থোক্লবা য়াবনি হায়নসু পুলিস চীফনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ফোঙদোকখি।

লেগান্না মীওই অমসু লোইনরকখিবা মাল্লি হায়বা উহৌবশিংগী কনফার্ম তৌদবা রিপোর্টশিংগী মতাংদা পুলিস অমসুং এফ বি আই এজেন্টশিংনা থিজিনবা হৌখিবগা লোয়ননা গনমেন অসিনা মমাংদা সোসল মিদিয়াদা গার্লিক ফেষ্টিভেল অদুবু য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লমখি হায়বসি খঙবা ঙম্লে হায়না গিলরোইগী পুলিস চীফনা মখা তাখি।

## য়ু এসনা ওষ্ট্রেলিয়াদা মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা হোৎনরি



সিদনি, জুলাই ৩০ (এজেন্সি) :

কোংগ্রেসনা য়ু এস নেভিগী দোলর মিলিয়ন ২১১.৫গী শেনফম অমা অয়াবা হেক পীবগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ওষ্ট্রেলিয়াদা অহেনবা মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎনবা থৌরাং তৌরি হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর মরিসে পাইন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনানা পেসিফিক্তা ইথিল হেন্না পীনবা হোৎনরকপদা ৱাশিংটনগী মীচংশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোক্ল রিঙৈগী চৈরক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ওষ্ট্রেলিয়াদা অহেনবা মিলিটরি ফেসিলিটিশিং শেমগৎ-শাগৎনবগী থৌরাং অসি পায়খৎলক্লিবনি।

কুমজা ২০১১ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা লৈনরিবা ঙাকশেনগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক অনীনা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্টশিংগী মতাংদা পল্লদুনা পাইন্না স্কাই ন্যুজদা হায়খি মদুদি, মিলিটরি ফেসিলিটিশিং অদুবু শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং অসিনা ফোর্স পোষ্টচর ইনিসিয়েটিভতা অহেনবা ঙাকলৌ পীরগনি। ইনিসিয়েটিভশিং অদুদা চহী খুদিংগী ওষ্ট্রেলিয়াদা য়ু এস মেরিন ২,৫০০ ট্রেনিং পীবা অমসুং মীচং অনীগী এয়রফোর্সশিংগী মরক্তা চাং নাইনা জোইন্ট ট্রেনিং পাঙথোকপগী ৱাফমশিং য়াওরিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা করম্বা মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎনিংলিবনো হায়বগী মতাংদা পাইন্না শেংনা পনখিদ্রবসু থা অসিগী অঙনবদা ওষ্ট্রেলিয়ন মিদিয়া রিপোর্টশিংদা ৱাশিংটন্না ওষ্ট্রেলিয়াগী নোরদর্ন টেরিটরিগী কেপিটেল দার্ৱিনগা নক্লনা অনৌবা পোর্ট ফোসিলিটি অমা শেমগৎ শাগৎনগী থৌরাং তৌরি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। চহীগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াদা ট্রেনিং তৌগদৌরিবা য়ু এস মরিনশিং অদু দর্ৱিন্দা লৈবা ওষ্ট্রেলিয়ন বেজ অমদা থম্মী হায়রি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কমেন্ট পীয়ু হায়বদা কানবেরাদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিগী স্পোক্সমেন অমনা পাউখুম অমত্তা পীয়ু য়াখিদে। য়ু এস কোংগ্রেসনা এপ্রুভেল পীরবা মতমদা চপ চাবা থৌরাং খঙহনগনি হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

## এয়রপোর্টতা মিসাইল কাপশিল্লকপদগী পেসেঞ্জরশিং পাখৎনখ্রে



ট্রিপোলি, জুলাই ৩০ (এজেন্সি):

ট্রিপোলিদা লৈবা মথৌ তৌরিবা অমত্তা ঙাইরবা এয়রপোর্ট ওইরিবা মিটিগা এয়রপোর্টতা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিসাইল কয়া কাপশিল্লকখিবগা লোয়ননা পেসেঞ্জরশিংগী মরক্তা মীপাইনবা অমদি কাং খোং চাইবগী ফিভম লৈখ্রে অমদি এয়র ট্রাফিক থিংজিনখ্রে হায়না উহৌবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

রোকেট খরা কাপশিল্লকখিবা মতুংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা এয়রপোর্ট অদুগী এয়র স্পেস অনীরক ওথোরিটিশিংনা থিংজিনখি। এটেক অদুগী মতাংদা কানামত্তনা নৎত্রগা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে।

কুমজা ২০১৪ দা পৱার পান্বা খুৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা থোকখিবা সিভিল ৱার অমদা ট্রিপোলি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অমাঙ-অতা থোকখ্রবা মতুংদা মিটিগানা ট্রিপোলিগী অমত্তা ঙাইরবা দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং চল্লাইবা এয়রপোর্ট ওইরকখি। কুমজা ২০১১ দা লিবিয়াগী লুচিংবা মৌম্মর গদাফিনা তুখিবদগী ওপেক মেম্বর লৈবাক অসিদা কাং খোং চাইবগী ফিভম অমা লাকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী খরা অসিদা তোঙান তোঙানবা থেংখায় কয়াদা এয়রপোর্ট অসিদা টার্গেট তৌদুনা মিসাইল কয়া কাপশিল্লকখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা এয়র ট্রাফিক অমুক হেক হাংখিবা মতুং নুমিৎ খরখক্কী মনুংদা তুনিজিয়াদা পাইগদবা প্লেন অমদা তোংনবা হোৎনরিবা পেসেঞ্জর কয়া অনকপদা মিসাইল অহুম তাশিল্লকপদগী টর্মিনেলদা অমুক হন্না পুথোকখি হায়না উহৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

হেন্না ফবা মেদিকেল ফেসেলিটিশিং থিবদা লিবিয়ানশিংনা মরু ওইন তুনিজিয়াদা পাইনরিবনি। মিসাইল অমা অহাংবা মফম অমদা তাশিল্লক্তুনা অমুবা মৈখু মপৈ থোকহনখি হায়না মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটিগী ৱাফমশিংনা মরম ওইদুনা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখিবদগী পেসেঞ্জর কয়া ট্রিপোলিদা অমুক হল্লকপা তাখি। অতৈ পেসেঞ্জর কয়ানা পাউ লৌনবগীদমক্তা এয়র লাইন এজেন্সিশিংগী মমাংদা পরেং ওইনা লেপ্লখি। মিসাইল এটেক অমদা মৈখু চাওনা থোক্লিবা মফম অমগী মনাক্তা লেপ্পুনা পীক্লিবা মচানুপী পল্লিবা নুপী অমনা অসিগুম্বা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোকশিং অসি করম্বা মতমদা লোইগদবনো হায়না হংখি। তুনিজিয়াদা পাইগদবা অতৈ মীওই কয়া মরী মতাশিংগী য়ুমদা চঙশিন্নখি।

## ট্রম্পনা মথংগী য়ু এস ইলেক্সন ফাওবগী মনুংদা ফোর্স হন্থহনবা পাম্লি



ৱাশিংটন, জুলাই ৩০ (এজেন্সি):

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অফঘানিষ্টান্দা লৈরিবা কম্বেট ফোর্সশিংগী মশিং মথংগী য়ু এস প্রসিদেন্টগী মীখল ফাওবগী মনুংদা হন্থহনবা পাম্মী হায়না সিক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৭গী ওগষ্টতা ফোঙখিবা ট্রম্পকী সাউথ এসিয়া ষ্ট্রেটেজিদা চহী ১৮ লোম ফারক্লবা অফঘান লান লোইশিন্নবগীদমক্তা টালিবানবু নমদুনা কাবুল গর্ভর্নমেন্টকা পিছকী ৱারী শানহন্নবগী পান্দমদা মশিং অমদি মতমগী অকক্লবা থমদনা য়ু এস ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম য়াওখিবনি। অদুওইনমক মাইক পোম্পিওনা ইনৌ নৌনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিনা হৌখিবা চহীদা টালিবানগা ৱারী শান্নবা হৌখিবদগী ট্রম্পকী সাউথ এসিয়া ষ্ট্রেটেজিদা মরু ওইনা অফঘাষ্টিনগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা য়ু এস ফোর্স দিপ্লোইমেন্টগী মতাংদা অহোংবা লাক্লে হায়বা উৎলি। প্রসিদেন্ট মীখল ফাওবগী মনুংদা অফঘানিষ্টান্দা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিংগী মশিং হন্থহনগদবনি হায়বসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্টনা ঐঙোন দা পীরকপা দিরেক্টিভনি হায়না পোম্পিওনা ৱাশিংটন দি সীগী ইকনমিক ক্লবতা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২০গী নবেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী মীখলগী মাঙওইননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অফঘানিষ্টান্দা লৈরিবা য়ু এস ট্রুপশিংগী মশিং হন্থহন্নবা খন্নবা লৈব্রা হায়না হংবদা সেক্রেটরি ওপ ষ্টেটনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অসিগুম্বা ৱাফম অমা য়ু এসকী খ্বাইদগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেট অসিনা ফোঙদোরক্লিবা অসিনা ট্রম্পনা টালিবানগা দিল অমা হেক্তা য়ানদুনা য়ামদ্রবদা য়ু এস ইলেক্সন পাঙথোক্ত্রিঙৈদা টালিবানবু অফঘানিষ্টান্দা লৈরিবা য়ু এস ট্রুপশিং অদুগী মনুংদগী খরা হান্না লৌথোকপগী ৱাফমদা য়াহন্নবা শেম শারি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। মীখলগী মতমগা মরী লৈননা ট্রুপশিং লৌথোকপগী অকক্লবা মতম পীরিবা অসিনা অফঘানিষ্টান্দা মরা তপ্পা ফিভম অমা লাকহন্নবা হোৎনবগী অচৌবা থবক্তগী হেন্না মরুওই হায়না অফঘান ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

## য়ু এসনা ট্রিটি থাদোক্লবা হোৎনরি

জিনিভা, জুলাই ৩০ :

কোমপ্রিহেন্সিভ ন্যুক্লিয়র টেষ্ট বেন ট্রেটি (সী টি বি টি)দগী ৱিথদ্রো তৌবা য়ানবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রসিয়াবু ট্রিটি অসি ঙাক্ত্রে হায়না মরাল শীনবা হোৎনরম্বা য়াই হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়ন দিপ্লোমেট অমনা মালেমগী মরু ওইবা খুৎলায়গী ৱারী শান্নবগী ফোরম ওইরিবা কনফরেন্স ওন দিসার্মামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL
NOTICE
Dated, the 30th July, 2019

No. MU/3-95/SEAS/Aca/19/1611 It is hereby circulated to all concerned that the entrance test for admission in the M.A. in South East Asian Studies will be held in the middle of September, 2019 and the classes will commence from the 1st week of October 2019.

Sd/- S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar/Aca

HL-B/5586/31

## হঙ্গেরিগী প্রোসিক্যুটরশিংনা হান্নগী স্বিম্মিং এগজিক্যুটিভতা বিজিনেস রাইভেল হাৎপগী মরাল শীখ্রে



বুদাপেষ্ট, জুলাই ৩০ (এজেন্সি):

হঙ্গেরিয়ান প্রোসিক্যুটরশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হান্নগী ইন্টরনেসনল স্বিম্মিং এগজিক্যুটিভ তামাস গ্যর্ফাসপু চহী ২০ হেনবগী মমাংদা বুদাপেষ্টতা বিজিনেস রাইভেল অমা হাৎনবা ওর্দর তৌখি হায়না মরাল শীখ্রে হায়রি।

লৌজানিদা বেজ তৌবা ইন্টরনেসনল স্বিম্মিং ফেদরেসনগী ব্যুরোগী মেম্বর অমসুং হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট গ্যর্ফাসনা মহাক্কী বিজিনেস রাইভেল অমা হাৎখি হায়বা ৱাফম অসি কুমজা ২০১৮ গী এপ্রিলদা মহাকপু অহানবা ওইনা ফাখিবা মতমদা মশানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি। মতমদুদা মহাক বেলদা থাদোকখি।

হঙ্গেরিয়ান প্রোসিক্যুটরশিংনা ইনৌ নৌনা মহাকপু মী হাৎনবা ওর্দর তৌখি হায়না মরাল শীরিবসিগী মতাংদা রোইটর্সনা কমেন্ট লৌনবা হোৎনবদা মহাক্কী লাইন ফংখিদে। মহাক্কী উকিল পিটর ঝমেকনিক্না ৱাফম অদু য়ুন্ফম য়াওদবা অমদি কান্নদবা চার্জনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা মহাক্না য়েংশিল্লবা ইনভেষ্টিগেসন মেটরিএলদা য়ুন্ফম ওইরগা কেস অসি কোর্টতা শোয়দনা মায়থিবা নংগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না ঝমেকনিক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

হঙ্গেরিয়ান মিদিয়া মোগল জানোস ফেনয়ো কুমজা ১৯৯৮ গী ফেব্রুৱারিদা বুদাপেষ্টতা মহাক্কী কার মনুংদা তোংলিঙৈদা সবমেছিন গনগী মরু ময়াম অমা কাপশিন্দুনা হাৎখিবনি। মীহাৎ অদুনা কম্যুনিষ্ট লৈঙাক লৈরম্বদগী দেম্মোক্রেসি চৎনরকপা কুইদ্রিবা হঙ্গেরিগী মীয়ামগী থম্মোয় শোকহনখিবনি।

ঌাꯒ্ꯄসꯔী / খোঙ হান্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু শৌজ তারকপা, অমাংথোঙ মপান্দা মখুল অনী হুৎলগা নাই চারকপা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগনা চিকপা নাবদু খরা ফবা অদুগা নাই অমুক ওমখৎলকপদনা য়াম্না চিকপা নাবদা খাঙফম খঙদবা তৌবা অদু ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু শৌজ অদু অমুক তারকপা, অমাংথোঙ মপান্দা মখুল অনী হুৎলগা নাই চারকপা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগনা চিকপা খরা ফবা, অদুগা নাই অমুক ওমখৎলকপদনা য়াম্না চিক-নাবদা খাঙফম খঙদবা, অমাংথোঙদা ব্রি-ব্রি চেল্লগা হাকৎচবা, খোঙ হান্বদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ অকনবা হান্বা, হকচাং চোকথ-ৱান্থরগতা লৈবা, শূনীং চৎনীংবা পোক্তবা, নুমিৎ হুমনি-মরিনি খোঙ হামদোক্তবা, খোঙ হামদোক্তবনা মরম ওইরগা পুক গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, খোঙয়া অমদি লৱাই শাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননীংবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা, য়াংলেন শরূদা চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)
4. Mayang Imphal Bangoon Leirak Achouba (6am to 10am)

HL-P/3570/31 থাগৎচরিবা : S. Shanti Kumar, Sagolband

ঌাꯒ্ꯄসꯔী / খোঙ হান্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লকপা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, চাবা থকপা য়াদবা, খোঙ হান্নগনা হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হান্বা, তাং তাং চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নান্থরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরক্লগা লৈবা, মতম খরা লৈরগা পোল্লগা লৈবা অদুগী মনাক্তা অমা অমুক পোমথোরকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা, ফান অমদি মোরাদা ফম্বা ঙমদবা, শৌজ নান্থরগা নাবনা মরম ওইদুনা শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা হৈনদবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হামনীংঙি হায়দুনা চংলুরগা হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হান্নগা তোকপা, খোঙ হান্বা মতমদা শংলগা অদুম লৈনীংবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়ানবা হীদাক চারগনা হান্বা, হীদাক চাদ্রগনা হামদবা, খোঙ হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা চিকপা-নাবা অমদি চানীং থক্লীংবা পোকলক্তবা, ওনীং ওনীং তৌরগা লৈবা, খোঙ হান্নগনা হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হান্বা, তাং তাং চিকপা নাবা, কল্লাক মরী নাবা, ঙকশম অনী নাবা, খ্বাং নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা নাবা, য়াংলেন শরূদা চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat. (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal Konchak Makha Leikai (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/3442/31 থাগৎচরিবা : W. Monika Singh, Koirengei